**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09.04.2024)**

**চৈরাওবা (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হৗরাও তয়ান্নবগা লোয়ননা শজিবুগী নোংমা পানবা চৈরাওবা পাঙথোকখ্রে।

কুম অমগী অনৌ অপেন, মনা-মশিং লাইদা কৎতুনা থোংলবা মতুংদা থোঙ্গাল ৱাংমদা থাদোকখি। মদুগী তুংদা, ইমুং মনুং পুন্না চামিন থকমিন্নবনা কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি। মহৌশাদগী চৎনরকপা অমা ওইনা চাবা থকপা লোইরগা নুংথিলগী মতমদা মনাক নকপা চিংদা কাবগী চৎনবী লৈরকখি। অদুমওইনমক, মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা চিং কাবগী থৌরমদি পাঙথোকখিদ্রে।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** কংগ্রেসনা হায়রি-দল অসিগী ফিরেপতি মনিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী মীওইশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা মহৌশাগুম তংদু লৈতানা হিংমিন্নবনি।

ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ানা নেসনেল কংগ্রেসতা নৌনা পুনশিল্লবা জনতা দল (য়ুনাইতে) তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ওফিস বিয়াররশিং অমসুং একজিক্যুতিভ মেম্বরশিংবু ওকপগী থৌরমদা দলগী প্রসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা হায়-ঙসিদি মনিপুরগী মীয়ামনা অচুম্বা-অশেংবা করিনো হায়বদু তপা তপা খঙনবা হৌরক্লে। কংগ্রেস দলগী অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনবু শৌগৎতুনা তমেংলোং জিলা পুম্বগী সদস্য পুমমক দল অসিদা য়াওরকপনি। মসি য়ামা পুকিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি। মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্তুনা মহৌশাগুম তংদু লৈতাদনা হিংমিন্নবা হায়বসি দল অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি।

অমরোমদা, নেসনেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন.এস.য়ু.আই) গী ৫৩ শুবা কুমওন থৌরমসু ঙসি পাঙথোকখি।

**মহেশ (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা চহিগী মে অহুমদগী থোক্লিবা ইরাং অসিদা ময়ুম-মকৈ লৈতবদগী তোঙান তোঙান রিলিফ কেম্পশিংদা মীওই কয়া অৱা-অনা খাঙদুনা লৈরি। মসি য়েংলুরগা ইরাং অসি নেমথরে হায়না লৌবা য়াদ্রি।

হন্দক্কী লোক সভা মীখল অসিদা রিপাব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (আর.পি.আই) গী মীরেপ ওইরিবা মহেশ্বর থৌনাওজমনা হায়-অসিগুম্বা ৱারবা মতম অসিদা মীয়ামবু মীখলগী থবক থৌরমরোমদা মায় ওনশিলহন্দুনা অতোপ্পা মওং অমদা পুনবা হোৎনরিবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা ইরাং অসি লোয়শিনবা ঙমদ্রি। মহাকা হায়-মীচম অমা ওইরবসু ইরাং অসি লোয়শিন্নবা লৈবাক অসিগী লুচিংবা কয়া তান্নদুনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখি। মখা তানসু হোৎনখিগনি। মসিদা মীয়ামনা মতেং পাংবীয়ু।

**তমেংলোং (এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা তমেংলোং জিলাদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অনিশুবা রাউন্দগী ত্রেন্নিং তমেংলোং ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অমসুং তমেংলোং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা তমেংলোং অমসুং তামৈ বিধান সভা কেন্দ্রশিংদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিংনা শরুক য়াখি। ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি হয়েং ফাওবা চত্থগনি।

উখ্রুল জিলাদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অনিশুবা রাউন্দগী ত্রেন্নিংসু ঙসি ৱিনো বজারদা লৈবা উখ্রুল হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিদা পোল্লিং পার্সোনেল ২৪৩ না শরুক য়াখি। জিলা অসিগী ওইনা পোল্লিং ষ্টেসন ৭১ লৈগনি।

চিঙাই বিধান সভা কেন্দ্রদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী ওইনা অনিশুবা রাউন্দগী ত্রেন্নিং হয়েং পাঙথোক্কনি।

কাংপোকপী জিলাদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অহুমশুবা রাউন্দগী ত্রেন্নিং সদর হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। পুন্না পোল্লিং পার্সোনেল ২৮৬ না শরুক য়াখি।

**প্রোগ্রাম(এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালনা লেপ্পুনা শন্দোক্লিবা থৌরম 'মীকপ থোক্লসিগী' ১৫ শুবা তাঙ্কক্তা অঙাংশিংবু লমজিংবীবা হায়বা থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি য়ু ট্যুব চেন্নেল অকাশবানি ইম্ফালদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসকী ভিজিলেন্স গ্রুপসনা কামজোং জিলাদা আইন কায়না পুশিল্লকপা উ কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখ্রে। উশিং অদু মালেমগী কৈথেলদা লুপা লাখ ১৪ লিশিং ৪৫ রোমগী ওইগনি হায়রি।

ফারবা উশিং অদুগা লোয়ননা গাড়ি দ্রাইবর কামজোং জিলাগী ফোরেষ্ট বিট ওফিসতা শিন্নখ্রে। অমরোমদা, থা অসিগী অমদগী ঙসি ফাওবদা অসাম রাইফলসনা ক্কা মরু বোড়া লিশিং ১,৯৪০ ফাগৎলে। মালেমগী কৈথেলদা লুপা কোতি ২৩ লাখ ২৮ রোমগী মমল ওইগদবা পোৎলমশিং অদু কামজোং জিলাগী ফোরেষ্ট বিট ওফিসতা শিন্নখ্রে। মখা তানা অসাম রাইফলসনা ঙমখৈ পরিং লান্না আইন কায়না পুশিল্লকপা পোৎলমশিং ফাগৎখিগনি হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** থৌবাল পুলিস কম্মান্দোনা জিলা অদুগী পাখংখোং এরিয়াদা ঙসি অয়ুক য়ুম য়ুম চংদুনা থিবা হুন্নবগী থবক চথখি। পুন্না য়ুমথোং ৫৫ দগী মীওই ৭৫ ব্রাহং পাউহং চথখি। অদুমওইনমক, মীফা-মীপুন অমদি খুৎশু খুৎলায় ফাবগী পাউ লৈতে।

কাংপোকপী পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবুনা ঙসি মোটবুংগী মোলথাং ভিলেজতা এরিয়া দোমিনেসনগী থবক চথখ্রে। অদুমওইনমক, মীফা মীপুনগী পাউদি লৈতে।

**মমি নুমিৎ (এল)ঃ** মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতি অমসুং ফিলম ফোরম মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী এম.এস.এফ.দি.এসকী পেলেস ওদিতোরিয়মদা মমি নুমিৎ অমসুং এস.এন. চান্দ সিনে আর্কাইবস এন্দ ম্যুজিয়মগী মরিসুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মনিপুরগী শকাইরবা ফিল্ম মেকর-অরিবম শ্যাম শর্ম্মনা হায়-মনিপুরদা ফিল্ম অমা পুথোকবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া থেংনখি। অৱাবশিং অদু তুংওইনরল্লগা ফিল্ম ওইনা হোলদা কাপথোরকপদা থেংনখিবা অৱা অনা খুদিংমক কাউথোকপা ঙমখি। মতমদুগী আর্টিষ্টশিংনা থৱায় য়াওনা হোৎনখিবা কয়া অদুনা মনিপুরদা ফিল্মগী ইহৌ শাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফালগী এম.এস.এফ.দি.এসতা হাংলিবা এস.এন. চান্দ সিনে আর্কাইবস এন্দ ম্যুজিয়ম অসিদা মনিপুরগী মমিং লৈরবা ফিল্মশিং-ব্রোজেন্দ্রোগী লুহোংবা অমসুং ইশানৌ চেকশিন্না থল্লি। ইশানৌ ফিল্ম অসি মালেমগী মফম কয়াদা উৎপা ঙমখ্রে। মনা কয়াসু ফংখ্রে। হন্দক চহিদগী ইমাগী নিংথেম হায়রিবা ফিল্ম অসি অরর্কাইবসতা থমবা হোৎনরি। মসিগীদমক তঙাইফদবা থবকশিং লেপ্তুনা চত্থরি।

থৌরমগী মনুং চন্না লৈখিদ্রবা আর্টিষ্টশিংগী এম.এস.এফ.দি.এসকী মমাংদা খিল্লিবা নীংশিং য়ুম্বীদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**একাডমী (এল)ঃ** কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়গী মখাদা কে. ইবোতোম্বী কলচরেল একাডমী কে.আই.সি. এ মনিপুরনা শিনদুনা জয়া দেব শৈশক্কী থৌরম অমা চরাংপাৎ মাকলং মমাং লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম

অদুদা জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাডমীগী দিরেক্তর-পুখ্রম্বম বিলাস সিংহ্ অমদি অকাশবানি ইম্ফালগী গ্রেট ৱান ষ্টাফ আর্টিষ্ট-খুমুকচম চন্দ্রমনি শরুক য়াখি।

**পোলো (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইরোইশেম্বদা লৈবা ওল মনিপুর পোলো এসোসিয়েসনগী গ্রাউন্দদা চথরিবা তরেৎশুবা জ্‌নিয়ার বোইজ অন্দর সিক্সতিন ষ্টেট লেবেল পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসিগী মেটচতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসননা মন্দন পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখ্রে। অদুগা ১৯ শুবা ৱিমেন্স ষ্টেট লেবেল পোলো টুর্নামেন্টতনা মন্দন পোলো ক্লব লাক্তবদগী লিংথোইঙম্বী কাংজৈ ক্লবনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

**ফূটবোল (এল)ঃ** দি.এস.এ. বিষ্ণুপুরগী মীণি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৮ শুবা ইবোতোন মেমোরিএল থার্দ দিভিজন অন্দর ফিফতিন বোইজ ফুটবোল লিক্কী ঙসিগী মেটচতা য়ুথ সোসিএল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা য়ুথ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্টরনা য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**মীখলঃ** ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা হায়রি-রাজ্য ১৩ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা পাঙথোক্কদবা অনিশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলদা পুন্না মীরেপ লিশিং ১, ২১০ না লম্বা তৌনরগনি।

মীখল অসিগীদমক পুন্না মীরেপ চে লিশিং ২,৬৩৩ থাজিল্লকপগী মনুংদা মীরেপ লিশিং ১,২১০ অসি স্ক্রুতিনি তৌরবা মতুংদা মীরেপ ওইবা য়াহনখিবনি।

তাঙ্কক অসিদা পুন্না লোক সভা কেন্দ্র ৮৮ দা মীখল পাঙথোক্কনি। মীখল থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্কনি। অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিগীদমক কেরলানা

পুন্না লোক সভা কেন্দ্র ২০ গী ওইনা মীরেপ চে ৫০০ পীশিল্লকখি। করনাতকা লোক সভা কেন্দ্র ১৪ গী মীরেপ চে ৪৯১ পীশিল্লকখি। ত্রিপুরাগী ওইনা মীরেপ ১৪, মীরেপ চে পীশিল্লকখি।

**বিজেপিঃ** বি.জে.পি. লুচিংবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-হন্দক্কী মীখল অসি ২১ শুবা চহি চাগী খ্বাইদগী মরুওইবা মীখলনি। মধ্য প্রদেসকী বালাঘাটতা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মসি চুমগী মীখল নত্তে। অনৌবা ভারত অমা শেমবগী অচৌবা খোঙথাং অমনি।

শ্রী মোদিনা হায়-বি.জে.পি. সরকারনা সব কা সাদ, সব কা বিকাশ হায়বা মন্ত্র অসি শিজিন্নদুনা লৈবাক অসিগী সহর অমসুং খুঙ্গংশিংবু চাউখৎহন্নবা হোৎনরি। লৈবাক অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ফিভম নীংথিনা চাউখৎলে হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী নৌবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা সরকার অসিনা লুপা কোতি কয়া থাদখ্রে।

মহাকা হায়-বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এ. সরকার অসি দলিত, বেকৱার্ড অমসুং ত্রাইবেলশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা হনবা লৈতনা হোৎনখিবা সরকার অমনি। মসিনা মরম ওইদুনা কাংলুপশিং অসিগী মীওইশিংনা সরকার অসিবু সমান তৌরি।

**বিজেপিঃ** বি.জে.পিগী লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারতকী চাউখৎ লমজেলদা কনাগুম্বা অমত্তনা তুং ইনবা ঙমলোই।

উত্তর প্রদেসকী পিলিভিটতা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারতনা পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা অরুবা ওইখিদে। মসি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী ইহুল অমসুং থৌনানা পান্দম অসি ফংবা ঙমখিবনি। মহাক্কী সরকারনা লৈবাক অসিবু নীংথিনা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখি।

মহাকা হায়-কংগ্রেসনা অতৈ লৈবাকশিংদগী তেংবাং ফংনবা হোৎনরি। কোরোনা লায়চৎ লৈরিঙৈদা লৈবাক অসিনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা হিদাক লাংথক কয়া থাদোকপা ঙমখি। অনৌবা থৌশিল কয়া হৌদোক্তুনা নহা কয়াদা থবক পীবা ঙমখি।

**বিআরএসঃ** দিল্লি এক্সাইজ স্কামগা মরী লৈননা নারোন্দা শেল থৈদোকই হায়বগী মরালদা ফাজিনখিবা বি.আর.এসকী মকোক-কে. কেবিতাবু থা অসিগী ২৩ ফাওবা জ্যূডিসিএল কষ্টদিদা থমবা দিল্লিগী কোর্ট অমনা রাই পীখ্রে।

মহাকপু জামিনদা থাদোকবা থারকখিবা ৱাকৎ অদু কোর্ট অদুনা য়াখিদবনি। দিল্লিদা য়ু য়োনবগী লাইসেন্স পীনবগীদমক সরকার পায়রিবা আম আদমি পার্টিদা লুপা কোতি ১০০ পীখিবা সাউথ গ্রুপকী মেম্বরদা মহাকসু য়াওই হায়না মরাল শিরি। কবিতা হায়দ্রবাদতা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদগী মমাং থাগী ১৫ দা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটনা ফাখিবনি।

**বিআরএস ঃ** কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইরে হায়না ভারত রাষ্ট্র সমিতি (বি.আর.এস)না ইলেক্সন কম্মিসনদা ৱাকৎখ্রে। ৱাকৎ অদুদা বি.আর.এসনা হায়- ফোন টেপ তৌবগী ৱাথোক্তা কংগ্রেস লুচিংবা অসিনা দলগী মকোক কে. চন্দ্রসেখর রাওগী মথক্তা ইজৎ শোকিঙাই ওইবা ৱাফমশিং অমসুং অচুম চুমদা খঙদবা মরাল কয়া শিরি হায়না পল্লি। দল অসিনা খুদক্তা রাহুল গান্ধিবু লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিগী ভোৎ খোম্বা থিংনবা অমসুং কংগ্রেসকী মথক্তা থবক